# নোগোং কোলেজ ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওইনা লাউথোকখ্রে

নগাউন, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

অসামগী মমিং লৈরবা নোগোং কোলেজ ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওইরে হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সর্মানা হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা লাউথোকখ্রে।

নগাউনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা অসামগী চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। ষ্টেট অমসুং ইন্দিয়াগী অফবা মীওই কয়া নোগোং কোলেজ অসিনা পুথোকখ্রে। মহাক্না কোলেজ অসিবু ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওইরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মমিং লৈরবা ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয়, ফেকল্টি অমসুং এলুম্নাইশিংগী মরক্তা পূন্দুনা য়াওবা ঙমজবা অসি লাইবক ফবনি হায়খি।




ইন্সটিট্যুট অসি য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা ওনখৎলকপগা লোয়ননা মরী লৈনবা একাদেমিক অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর পুম্নমক অথুবদা পীনবা থবক পায়খৎলগনি। য়াম্না থুনা য়ুনিভর্সিটি অসি অৱাংবা থাক্তা পুখৎলক্নবগীদমক্তা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংদা সজেসনশিং পীরক্নবা মহাক্না আপীলসু তৌখি।

নোগোং কোলেজ অসি য়াম্না অরিবা নগাউন দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা অসামগী কোলেজশিংগী মনুংদা অমনি। হায়রিবা কোলেজ অসি কুমজা ১৯৪৪দা লিংখৎখিবনি। কোলেজ অসি য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসননা হৌখিবা কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ২২দা চহী ১০গী ওইনা ওটোনোমি পীখি।

# ত্রিপুরাদা প্রি-প্রাইমারিদগীনা ক্লাস সভেন ফাওবা ওফলাইন ক্লাসশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে

অগরটালা, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

কোভিদকী লায়না লাইচৎকী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা ত্রিপুরা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা প্রি-প্রাইমারিদগীনা ক্লাস সভেন ফাওবগী ওফলাইন ক্লাসশিং সস্পেন্দ তৌখ্রে।

কোভিদ লাইচৎ মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবগী পাম্বৈ অমা ওইনা এদ্যুকেসনেল ইন্সটিট্যুটশিংগী হোষ্টেলশিংসু থিংজিনখ্রে। অদুমওইনমক ক্লাস আইটতগীনা ত্বেল্‌ভ ফাওবগী মনুংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগীদি মখা তানা ক্লাস চত্থখিগনি। তৌবতবু নোংম-নোংমা কাল্লগা চাদা ৫০গী চাংদা ফিজিকেল এটেন্দেন্স ওইগদবনি। হায়রিবা ৱাফম অসি থাংজ নুমীৎকী নুমিদাংৱাইরমদা ত্রিপুরাগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখিবনি।

লাৱর ষ্টেন্দর্দকী ওফলাইন ক্লাসশিং সস্পেন্দ তৌবগী ৱাফম অসি ষ্টেট অসিগী হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অনীগী অপূনবা মীফম অমদা লৌখিবা ৱারেপনি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক চত্থরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক অসি খুমাং চাওশিন্নবগীদমক্তা ক্লাস আইটতগীনা ত্বেল্‌ভ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওফলাইন ক্লাস মখা চত্থরিবনি হায়না ত্রিপুরাগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা মখা তানা হায়খি।

ক্লাস আইটতগীনা ত্বেল্‌ভ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগীনা নোংম-নোংমা কাল্লগা চাদা ৫০গী চাংদা স্কুল কাহন্দুনা য়ামদ্রবদা মহৈরোয় অমনা নুমীৎ নীনিগী মনুংদা স্কুল অমুক্তং ওইরবসু কাবা ফংগনি, অদুবু মখোয়না মমা-মপাগী অয়াবা লৌগদবনি হায়না মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মিজোরামদা নুপী ভোটর মশীংনা নুপাদগী হেল্লি

আইজোল, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

ইলেক্সন ওফিসল অমনা হায়, মিজোরামদা নুপা ভোটর মশীংদগী নুপী ভোটর মশীংনা ২৩,৪৯২ হেল্লি।

থাংজ নুমীৎতা ফোঙখিবা অরোইবা ইলেক্টোরেল রোল অমগী মতুংইন্না পূন্না ভোটর মশীং ৮,৩৩,৪২৬ লৈবগী মনুংদা নুপীগী ভোটর মশীং ৪,২৮,৪৫৯ ওইখি। হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারী থাদা ফোঙখিবা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোলদা লৈখিবা ভোটর মশীং ৮,১৬,১৩৮ তগী হন্দক্কী অসিদা ভোটর মশীং ১৭,২৮৮ হেনগৎখি।

এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ১২ লৈবা আইজোল দিষ্ট্রিক্টনা ভোটর মশীং ২,৭৬,১৫৫ ওইদুনা খ্বাইদগী ভোটর য়াম্বা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরি, লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টনা ভোটর মশীং ৯৭,৩০৩ ওইদুনা অনীশুবদা লৈরি।

ষ্টেট অসিগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতা পূন্না এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬ লৈ। অমরোমদা, কুমজা ২০১৯দা শেমখিবা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট হনাথিএলনা ভোটর মশীং ১৫,৭৩০ ওইদুনা খ্বাইদগী ভোটর মশীং য়ামদবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরি, হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমখক লৈ।

ৱেষ্ট মিজোরামগী মমিট দিষ্ট্রিক্টতা ভোটর মশীং ৭,০৯,৮৬১, কোলাসিব দিষ্ট্রিক্টতা ভোটর মশীং ৬২৬১০, সাইতুআল দিষ্ট্রিক্টতা ভোটর মশীং ৫৪,৫৮৫, চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টতা ভোটর মশীং ৫৫,৩৫৭, সেরচিপ দিষ্ট্রিক্টকী ভোটর মশীং ৫২,৯৫২, লোংতলাই দিষ্ট্রিক্টকী ভোটর মশীং ৮৭,৬০৮, সিয়াহা দিষ্ট্রিক্টকী ভোটর মশীং ৪৩,০১৫ মথংশিংনা খোজোল দিষ্ট্রিক্টকী ভোটর মশীং ১৭,২৫০নি হায়না অনৌবা ফোঙখিবা পোল রিপোর্টতুনা পল্লি।

এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪০ লৈবা মিজোরামদা পূন্না পোল্লিং ষ্টেসন ১৭,২৫০ লৈ।



পোন্দিচেরিদা পাঙথোক্কদবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা শরুক য়ানবগীদমক ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসননা খনখ্রবা বোদি বিল্ডরশিং

# মমাং চহীদা রাইনো পোচিংগী চাং হন্থখি



গুৱাহাটি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা হায়, মমাং চহীদা অসামগী কজিরঙ্গা নেসনল পার্কতা শুপ্নতগী রাইনো অমখত্তং লোনা য়াদবা মওংদা হাৎপা থেংনখি।

এন্টি রাইনো পোচিং টাস্ককী মকোক ওইরিবা স্পেসল দি জি পি, জি পি সিংহনা হায়, মমাং চহী ২০২১না অসামদা খ্বাইদগী রাইনো পোচিং তৌবগী চাং হন্থবা চহী ওইখি। হৌখিবা চহী ২০২১গী এপ্রিল থাদা রাইনো অমখক পোচিং তৌবা থেংনখি। ৱান হোর্ন রাইনো পোচিং তৌবগী চাং হন্থহনবা ঙম্বা অসি এন্টি পোচিং টাস্ক ফোর্সকী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না জি পি সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সিক্কিমদা অনৌবা কোভিদ কেস ৩৬৯ থেংনখ্রে

গেঙটোক, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

সিক্কিমদা অনৌবা কোভিদ পোজিটিভ কেস ৩৬৯ থেংনদুনা লায়না অসিগী লাইচৎকী চাং চাদা ২২.৩ য়ৌরে।

হায়রিবা অপূনবা কেস মশীং ৩৬৯ অসিগী মনুংদা ইষ্ট সিক্কিমদা মশীং ২২৮, ৱেষ্ট সিক্কিমদা ৫৭, সাউথ সিক্কিমদা ৭৫ মথংশিংনা নোর্থ সিক্কিমদা পোজিটিভ কেস মশীং ৯ ফংলে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী পাউগী লীখুন অমনা হায়রি। অনৌবা কেস মশীংশিং অসি পূন্না সেম্পল ১৬৫৬ টেষ্ট তৌবদা ফংবা ঙমখিবনি। সিক্কিমদা পূন্না হৌজিক ফাওবদা এক্টিভ কোভিদ-১৯ কেস মশীং ১৭২৬ লৈরে।

মরকসিদা মীওই অনী অমগসু শিবদগী লায়না লাইচৎ অসিনা ষ্টেট অসিদা পূন্না শিহনখিবা মশীং ৪১৩ শুরে। অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৪৮ লায়না লাইচৎ অসিদগী ফরকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

# অসামদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ১০ য়ৌরে

গুৱাহাটি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

অসামদা হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা অনৌবা কোভিদ পোজিটিভ মশীং ৩৩৯০ থেংনদুনা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ১০ য়ৌখ্রে।

অনৌবা মশীং অসি পূন্না সেম্পল ৩৪,৩৫৫ টেষ্ট তৌবদা থেংনখিবনি। হায়রিবা অনৌবা কেস মশীং অসিগী মনুংদা কেস মশীং ৯১৯ খক্না গুৱাহাটি সিটি মনুং অমসুং সিটি অসিগী অকোয়বা মফমশিংদগী থেংনখিবনি।

থাংজ নুমীৎতা অসামদা ফংখিবা অনৌবা কেস মশীং অসি ইরাই নুমীৎতা ফংখিবা অদুদগী লিশিং ১ রোম হেল্লি। ইরাই নুমীৎতা অসামদা পোজিটিভ কেস ২৩৪৮ থেংনদুনা কোভিদ লাইচৎকী চাং চাদা ৭.৮০ ওইখিবনি, মদুগী মথক্তা হৌখিবা পুং ২৪দা হায়রিবা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মীওই মরি শিখ্রে।

# জন্যুৱারী ১৮দা ইটানাগর শটদাউন তৌগনি : এ এন ৱাই এ

ইটানাগর, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৮, লৈবাকপোকপা নুমীৎতগী ইটানাগরগী মফম পুম্নমক পুং ৪৮গী টোটেল শটদাউন তৌগনি হায়না এ এন ৱাই এনা লাউথোকখ্রে।

হৌজিক চত্থরিবা ঈরাং অসি লেপ্নবা সোসাইটিগী মীপূম খূদিংমক মরুওইনা নিশি কম্যুনিটিনা আপীল তৌবা লৈজরবসু হন্দক্কী মতাং অসিদা এ এন ৱাই এনা পুং ৪৮ অমগা বন্দ তৌনবা ৱারেপ অসি লৌরকপনি। অরুনাচলগী কেপিটেলদা লো এন্দ ওর্দর থুগায়নবা কনাগুম্বা মীওই খরনা খুজিল থৌরাং তৌরগা হোৎনবনি হায়না অরুনাচল পুলিসনা মরাল শীরক্লি।

ঙরাং ওর্গনাইজেসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট তেমি পাবোনা রাগা তম্না লাকপদা লাৱর সিৱাঙ্গিদা লৈবা য়াজালি গেটতগী মহাকপু ষ্টেট পুলিসনা ফাখিবনি। মহাক ফারে হায়বসি য়াজলি পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জনা কনফার্ম তৌখি।

এ এন ৱাই এগী ভাইস প্রসিদেন্ট ফাবগী থৌদোক অসি এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ব্যাবাং জোরামনা ইটানাগর কেপিটেল রিজনদা মমাংদা পুং ৩৬কী বন্দ তৌরিঙৈ মনুংদা ফাখিবা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংবু থাদোক্নবা আপীল তৌরিঙৈ চৈরক অসিদনি।

পনবা য়াই, মমাংদা এ এন ৱাই এনা কৌখিবা পুং ৩৬কী বন্দ অদুগা মরী লৈননা ষ্টেট পুলিসনা মখোয়গী প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসনদা খঙবা ঙমখ্রে মদুদি ষ্টেট অসিদা কনাগুম্বা মীওই খরনা এন্টি সোসল ওইবা মীওই খরা নেক্তুনা ঈরাং থোক্নবা হোৎনখি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরুওইবা মীওইশিংগী মরী-মখোঙ তাকপা ঙম্বদা পুলিসনা লুপা লাখ ১০গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

# মেঘলায়াদা নৌনা কোভিদ ইনফেক্সন তৌবা ১৬০ থেংনরে

গুৱাহাটি, জন্যুৱারী ১৬ (এজেন্সী):

মেঘলায়াদা থাংজ নুমীৎতা অনৌবা কোভিদ মশীং ১৬০ অমগা থেংনদুনা ষ্টেট অসিদা পূন্না কোভিদনা নাবা মীওইগী মশীং ৮৬১৪৭ য়ৌরে হায়না হেল্থ ওফিসল অমগী পাউ অমনা হায়রি।

ষ্টেট অসিদা ইরাই নুমীৎতা থেংনখিবা কেস মশীংনা ১৮৯ ওইখি। হৌখিবা থাংজ নুমীৎ ফাওবদা কোভিদনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অসিদা শিখিবা মী মশীং ১,৪৯০ শুখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

অনৌবা ইনফেক্সন অসিগা লোয়ননা এক্টিভ কোভিদ কেস মশীং ৯৯১ শুরে হায়না হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. অমন ৱারনা হায়খি। থাংজ নুমীৎতা পূন্না মীওই ৯ রিকোভর তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা লায়না লাইচৎ অসিদগী ফরকপা মশীং ৮৩,৬৬৬ য়ৌরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। ষ্টেট অসিদা হৌখিবা ইরাই নুমীৎ ফাওবদা পূন্না মীওই লাখ ২১.৯৮ ভেক্সিন কাপখ্রে। মসিগী মনুংদা দোজ অনীমক কাপখিবনা মীওই মশীং ৯,১১,৪৩৭নি হায়না ৱারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## CROSSWORD-3419



**ACROSS**
1 Resist (6)
4 Convent head (6)
8 Freshwater fish (5)
9 Vanquish (7)
10 Popular cheese (7)
11 Apportion (5)
12 Dissimilar (9)
17 Distinguishing feature (5)
19 Give evidence (7)
21 Posy (7)
22 Blacksmith's block (5)
23 Threat (anag.) (6)
24 Shut (6)

**DOWN**
1 Science of light (6)
2 Go on (7)
3 Replete (5)
5 Servitude (7)
6 Evenly matched (5)
7 Layers of rock (6)
9 Woodwork (9)
13 Weariness (7)
14 Robbers (7)
15 Horrible smell (6)
16 Rode a bike (6)
18 Something of value (5)
20 Diminutive (5)

**Solution 3418**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| O | M | A | R | | G | L | I | M | P | S | E | D |
| P | | L | | C | | E | | E | | A | | R |
| P | R | O | P | H | E | T | | R | O | M | E | O |
| O | | O | | I | | H | | I | | U | | P |
| S | O | F | A | S | | A | T | T | I | R | E | |
| I | | | | E | | L | | | | A | | T |
| T | A | C | K | L | E | | V | A | N | I | S | H |
| E | | E | | | | A | | T | | | | I |
| | A | R | A | B | I | C | | H | O | M | E | R |
| A | | T | | R | | O | | O | | I | | T |
| K | H | A | K | I | | R | E | M | O | R | S | E |
| I | | I | | D | | N | | E | | T | | E |
| N | O | N | S | E | N | S | E | | T | H | E | N |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3818

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 1 | 8 | | | |
| 9 | | 8 | | | | 7 | | 4 |
| | | | 4 | | | 5 | | |
| 3 | | 2 | 9 | 8 | | | 7 | |
| | | | | 2 | | | | |
| | 9 | | | 7 | 1 | 2 | | 6 |
| | | 4 | | | 2 | | | |
| 2 | | 1 | | | | 3 | | 5 |
| | | | 5 | 4 | | | | |

### Solution-3817

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 8 | 9 | 5 | 7 | 6 | 3 | 2 | 1 |
| 6 | 5 | 2 | 3 | 9 | 1 | 8 | 4 | 7 |
| 1 | 3 | 7 | 4 | 8 | 2 | 5 | 9 | 6 |
| 9 | 6 | 5 | 2 | 1 | 4 | 7 | 8 | 3 |
| 3 | 7 | 1 | 8 | 5 | 9 | 2 | 6 | 4 |
| 8 | 2 | 4 | 6 | 3 | 7 | 9 | 1 | 5 |
| 2 | 1 | 3 | 7 | 4 | 8 | 6 | 5 | 9 |
| 7 | 9 | 8 | 1 | 6 | 5 | 4 | 3 | 2 |
| 5 | 4 | 6 | 9 | 2 | 3 | 1 | 7 | 8 |

## ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### MANIPUR UNIVERSITY INVITES APPLICATION FOR RESEARCH ASSISTANT RECRUITMENT 2022

Research Assistant
Job Location:
Canchipur , Imphal, 795003 Manipur
Last Date: 15 January 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
Job Role Research Assistant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Imphal
Experience 1 - 2 years
Salary 8000 - 15000(Per Month)
Posted on 12 Jan, 2022

**Walkin Date 15 Jan, 2022**

Educational Qualification: M.A
Research officer (R.O), and ns are invited from eligible candidates for the posts of 1(one) Research Officer (R.O), and two (2) Research Assistants for the NWC funded project entitled No. Soc/NWC/09/2021/002: Applications are fitted from eligible candidates for the posts of 1(one) "Women-led enterprises in Manipur and challenges to their scalability" on a contract basis through walk-in-interview on 15/01 and challenges to their scalability on a contract basis through University.
1. Post Name: Research Assistant
2. Essential Qualifications: Research Assistants: M.A with min.ss% (Sociology/Social Work), preferably with NET/JRF.
3. Salary: 8000
4. No. of Post: 01
Pay Scale:
INR 8000 - 15000(Per Month)
Age Limit:As Per Rules Age
Selection Procedure
Selection Will be Based either Written Exam/Interview
How to Apply:
1. Walk-in-interview on 15/01/2022 (11 a.m. in the Office of the Dean of SouarUenes Vaupu University.
2. Interested candidates may submit applications and bio-data via e-mall rita_takhel@yahoo.com.
Important Dates:
Published on: 12 January 2022
Last date for application is: 15 January 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE, NE REGION INVITES APPLICATION FOR PROJECT TECHNICIAN III RECRUITMENT 2022

Project Technician III
Job Location:
REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NORTH EAST REGION
Post Office Box # 105, Dibrugarh, 786001 Assam
Last Date: 01 February 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
Job Role Project Technician III
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Dibrugarh
Age Limit 30 Years
Experience 2 - 5 years
Salary 18000(Per Month)
Posted on 13 Jan, 2022
Walkin Date 01 Feb, 2022
Educational Qualification: DMLT
ICMR-RMRC, N. E. Region intends to engage following Non-lnstitutional project human resource positions, purely on temporary contract basis for its short-term research projects, being undertaken at ICMR-RMRC, N. E. Region.
1. Post Name: Project Technician Ill (Laboratory Technician)
2. No of Posts: 01
3. Qualification: 12th pass in science subjects with two years diploma in Medical Laboratory Technology Or 12th pass in science subjects with One year DMLT plus one year relevant experience in a recognized organization
Pay Scale:
INR
18000(Per Month)
Age Limit: 30 Years
Selection Procedure
Selection Will be Based either Written Exam/Interview
How to Apply:
1. Date of Walk-in 01st February 2022
2. Eligible candidates may walk-in for interview/written test and submit their applications in the prescribed format, duly filled in all respects along with all required supporting documents and certificates, duly self-attested, at the office on the day of the interview/written test, i.e. up to 10:30 hours on the said date.
3. Late / Delayed / Incomplete/ Unsigned applications will not be considered and rejected straight away without any correspondence. Candidates are therefore advised to submit their applications well in time without delay.
4. ICMR/lnstitute/Centre will not be responsible if candidate fails to submit their application within time for any reason,,Applications received within the stipulated date, time and complete in all respects will only be considered for screening to shortlist candidates for further process of engaging the above scientific project human resource positions.
5. Candidature of successful candidates shall be subject to verification of all original documents by ICMR and fulfillment of required eligibility criteria in all respects of qualification, age and experience, etc.
Important Dates:
Published on: 13 January 2022
Last date for application is: 01 February 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




